**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-03-2026)**

**ডে (এল)ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-নুপীশিংদা মতেং অমদি খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লবদি মখোয়না লম খুদিংমক্তা মাংজিল থাবা ঙমগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা জাতি থাক্কী মালেমগী নূপীগী নুমিৎ পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা হায়-ইন্টরপ্রেন্যুয়রসিপপু ওইরো, কোরপোরেট ৱার্ল্ডদবু ওইরো নুপীশিংনা লম পুমামক্তা মাংজিল থারি। মহাকা হায়-ভারত্তা নুপীনা লমজিংদুনা লেপ্তুনা মাংলোমদা চংশিল্লি অমসুং লম কয়াদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মহাকা হায়-বেতি বচাউ, বেতি পরাউ, পি.এম. মুদ্রা য়োজনা অমসুং মীসন শক্তিগুম্বা স্কিম কয়ানা নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীনবা হোৎনরি। নুপীশিংনা মহৈ মশিংগী লমদা শরুক য়াবগী চাংসু হেনগৎলক্লি অমসুং শান্ন খোৎনবগী লমদসু লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা থোইদোক হেন্দোকনা হৈ-শিংবা কয়া উৎথোক্লি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অন্নপুরনা দেবীনা হায়-নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীনবা কেন্দ্রনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

মালেমগী নুপীগী নুমিৎতা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনদুনা নুপীনা লমজিংবা শক্তি ৱার্ক পাঙথোকখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অন্নপুরনা দেবী, রাজ্য মন্ত্রি-শাবিত্রি ঠাকুর অমসুং দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তসু শরুক য়াখি।

মনিপুরদসু রাজ্য সরকার অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শিনদুনা ঙসি মালেমগী নুপীগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সে

টরদা পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোকখিবা লাননা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী নুপীশিংদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োকহল্লে। মসিগীদমক ২০২৬-২৭ কী বজেটতা লাননা শোকহল্লবা নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংগীদমক্তা লুপা কোতি লিশিং ৩৫০ খাক্তুনা থমলে। থৌশিল অসিগী মখাদা মীওই অমমদা লুপা লাখ অহুম মখায় পীনবগী খুদোংচাবা য়াওরি।

মহাকা হায়-পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লমদমসিগী নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঙসিসু মখা তানা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং- গোবিনাদাস কোন্থৌজম অমসুং খুরাইজম লোকেন অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম হোতেল ইম্ফালগী শঙাই কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোনসাংনা হায়-কম্মিসন অসি লিংখৎলকপদগীনা হৌজিক ফাওবা মীয়ামা মপুং ফানা শৌগৎপীবদগী মথৌ তৌবা ঙম্বনি। নুপীশিংবু হেন্না য়াইফনবগীদমক নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। থৌরম অদুদা-এম.এল.এ. এস.এস. ওলিস, কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি, মেম্বর অমদি অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

অখিল ভারতিয়া বিদ্যারথি পরিষদ অমসুং রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা পুন্না শিন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ফাওবগী খোঙচৎ অমসু ঙসি অয়ুক চৎখি।

**নোনে (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা লম কোইবা

মীওইশিংনা পামগদবা মফম কয়া লৈরি। মফমশিং অসিদা অসিদা ইকো টুরিজমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপীরবদি লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওহগনি। অসিগুম্বা টুরিষ্ট দিসটেনেসনশিংগী মনুংদা তমেংলোং জিলাগী বামগাইজাং খুলগী বরাক তুরেল তোর্বানগী জৈ-ঙুৰাং বিজ অসিসু অমনি।

**মীফম (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। মীফম অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চথগনি।

মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং তরেৎ লৈগনি। মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওবিচুৰরি রিফরেন্স, বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোকপা, শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী সপিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস, ২০২৬-২৭ কী বজেটনচিংবা সভাদা পুথোক্কনি। রাজ্যপালনা পীখিবা ভাষনসু খন্ন-নৈনগনি।

থা অসিগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্স ফোর গ্রারন্টস সভাদা খন্নদুনা পাস তৌগনি।

**য়াউশং(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং হলঙ্কার পাঙথোকখিবগা লোয়ননা য়াউশং কুম্মৈ লোয়শিনখ্রে।

রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মহৌশাদগী চৎনরকপা মওংদা য়াউশং কুম্মৈ পাঙথোকপগা লোয়ননা শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিংসু পাক শন্ন পাঙথোকখি।

**ঈ (এল)ঃ** মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঈ দান তৌবা অমদি মসিগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স, সি.আর.পি.এফকী

১৪৮ শুবা অমদি ১৮৯ বটালিয়ননা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশমদুনা শিনখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৫০ হেনবনা ঈ দান তৌখি।

**কেম্প (এল)ঃ** মালেগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-থৌবাল অমদি লিগেল এদ ক্লিনিক-কিয়াম লৈতানপোক অনি পুন্না খুৎশমদুনা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-কিয়াম লৈতানপোক্তা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসিদা ই.এন.টি, মেদিসিন, গাইনোকোলোজি, দরমেটোলোজি অমসুং জেনরেল মেদিসিননচিংবা লায়নাশিং লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**লাইরিক (এল)ঃ** কামালা পাব্লিসর লিমিটেদ, ইম্ফালগী মখাদা হৈক্রুম শ্যামসুন্দর সিংহনা মনিপুরিদা হন্দোকপা রাবিন্দ্রনাথ টেগোরগী গীতাঞ্জলি অমসুং ২০২৪ গী নোবেল প্রাইজ ফংলবা-হান কাংগী নোবেল-'দা ভিজেটেরিয়ান' মনিপুরিদা হন্দোকপা মনা-মশিংতমক চারিবা কৌবা লাইরিক অনি ঙসি দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা ফোংখ্রে।

থৌরমদুদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট-লোংজম জোয়চন্দ্র সিংহ অমদি সাহিত্যা একাডমীগী মনা ফংলবা লাইময়ুম বিরেন্দ্রকুমার শর্ম্মনা মথংশিৎনা অথোইবা অতিথি অমদি সভাপতি ওইখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৫০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখ্রে, খরগীনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং অতৈ খুদোংচাবা কয়া লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মহাকা হায়-ঙসিগী প্রোজেক্টশিং অসিনা সহর অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি লন্থী থোং ফগৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা হেন্না লায়থোকহল্লগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-ঙসি হাংদোক্লিবা অনৌবা মেত্রো সেক্কসন অসিনা মফম অদুগী মীওই লাখ কয়াদা শিংথানিংঙাই ওইনা কান্নবা ফংহল্লগনি। মহাকা হায়-নুপীশিংবু অহেনবা শক্তি পীবা অমদি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্দুনা ভারতনা অনৌবা পন্দুপ অমদা চংশিল্লি। মহাকা হায়-দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তগী লমজিং মখাদা লৈবাক্কী কোনুং অসিনা লেপ্তুনা চাউখৎলক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা লম খুদিংমক্তা থবক পায়খৎতুনা নুপীশিংগী শক্তি হেনগৎহল্লি অমসুং লৈবাক অসি শেমগৎপদা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৩০০ রোম চংবা দিল্লি মেত্রো প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখি অমদি শঙ্গাখি। মসিগী মনুংদা কিলোমিটর ১২ মিটর ৩০০ লোম শাংবা মজলিষ্ট পার্ক-মৌজপুর বাবরপুর (পিঙ্ক লাইন) কোরিদোর অমসুং কিলোমিটর ৯ মিটর ৯০০ রোম শাংবা দিপালি চোক-মজলিষ্ট পার্ক (মেগেন্টা) লাইন (কোরিদোর) য়াওরি। মহাকা দিল্লি মেত্রোগী ফেজ ফাইব (এ) গী মখাদা অনৌবা কোরিদোর অহুমগী যাত্রাসু হুনখি।

থৌরমদুদা হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্স-মনোহর লাল, দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তনচিংবসু শরুক য়াখি।

**রাধাঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীদুনা অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্দুনা ভারত অসি মাংলোমদা চংশিল্লি।

ত্রিপুরাগী হপানিয়াদা লৈবা ইন্টরনেসনেল ফিয়ার গ্রাউন্দদা ঙসি

পাঙথোকখিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি লাক্ষপতি দিদিশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহনবা হায়বা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোকপদা রাজ্য সরকারনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা উপ রাস্ত্রপতিনা লাক্ষপতি দিদিশিংগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎখি অমসুং মখোয়বু তুংদা ক্রোরপতি দিদি ওইরক্কনি হায়বগী আশাসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়-মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহগী লমজিং মখাদা রাজ্য অদুগী নুপীশিংনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা হেন্না শক্তি লৈহন্নবা হোৎনরি।

তুংদা, উপ রাস্ত্রপতিনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎপা স্তোলশিংদা চৎতুনা য়েংখি।

**পোরটোকোলঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী নোংচুপ বঙ্গলা খোঙচৎতা পোরটোকোল মপুং ফানা ঙাক্তে হায়না বি.জে.পিনা ত্রিনামুল কংগ্রেস সরকারবু মরাল শিখ্রে।

রাজ্য অদুদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল সনটাল কনফরেন্সকী পাঙথোকফম জগা খঙহোং হোংদোকখি হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়-ত্রিনামুল কংগ্রেস য়াওনা চুংশিন্নবা বিরোধিগী কাংবুনা সংবিধানদা কিহল্লকপা কয়া লৈরে হায়না মরাল শিরি। অদুবু, ত্রিনামুল কংগ্রেসমকা লৈবাক অসিগী সংবিধানগী খ্বাইদগী অৱাংবা ওথোরিতি অসিবু ইকায় খুমবা উৎখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসিগীদমক শ্রী প্রসাদনা মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা সরকার অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

**নেপাল ঃ** নেপালদা রেপ ঈশৈ শকপা ওইরম্বদগী রাজনিতিদা খোঙদারকখিবা

বালেন্দ্র সাহগী রাস্ট্রিয়া স্বাতন্ত্র পার্টি (আর.এস.পি) না পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা শ্রী বালেননা লৈবাক অদুগী অহানবা মাধেসি মচা প্রধান মন্ত্রি ওইরগনি।

আর.এস.পিগী চহি ৩৫ শুরবা শ্রী বালেননা নেপালগী পার্লিয়ামেন্টকী ইতিহাসতা খ্বাইদগী নহা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইবা মীশক ওইরগনি। মহাকা মরিরক প্রধান মন্ত্রি ওইখ্রবা সি.পি.এন-য়ু.এম.এলগী কে.পি. শর্ম্মা ওলিবু ভোট মশিং লিশিং ৫০ রোম হেন্দুনা মীখলদা মায় পাকখিবনি। থা অসিগী ৫ দা পাঙথোকখিবা সিট ২৭৫ লৈবা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা আর.এস.পিনা সিট ১০৬ তা মায় পাক্লে অদুগা সিট ১৮ দা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

অপুনবা সিট ২৭৫ অসিগী মনুংদা সিট ১৬৫ না হকথেংননা ভোট থাদদুনা খনবনি অদুগা লেমহৌরিবা সিট ১১০ না প্রোপোরসনেট মেথদকী খুৎথাংদা খনবনি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমসুং ডব্লিয়ু রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা ক্রাউ-খমনাম বজারবু রন-৯৮ তা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.সি.সি.সি-শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন অহুমদা থোইখ্রে।

**এঠলেটিক ঃ** এসিয়া অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা মাস্তর এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানিংবা মনিপুর মাস্তর এঠলেটিক্স এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈরিবা শান্নরোইশিং অথুবা মতমদা এসোসিয়েসন

অসিগী লমলোং থোঙখোংদা লৈবা ওফিসতা লাক্তুনা অকুপ্পা পীখৎলকবা এসোসিয়েসন অসিনা খঙহল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-এল. য়াইমাচৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-রাজস্থানগী অজমিরদা হৌখিবা জানুৱারী ৩০ দগী ফেব্রুৱারী অনি ফাওবা পাঙথোকখিবা তরেৎশুবা নেসনেল মাস্তর এঠলেটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মকোক মথং তারকখ্রবা শান্নরোইশিংনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। চেম্পিয়নসিপ অসি ফিলিপিন্সতা মেগী ১০ অমদি ১১ দা পাঙথোক্কনি। মালেসিয়াদনা জন্ মরিদগী ১০ ফাওবা, সিঙ্গাপুরদা জন্ তরুক অমদি তরেৎতা অমসুং সাউথ কোরিয়াদনা আগষ্ট ২১ দগী সেপ্তেম্বর অহুম ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা হৌজিক ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ শান্নরি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং

য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েংদগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াইস্কুল কাংশঙদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ককচিংতাবম অজিৎ কুমার শর্ম্মা অমসুং ইমুং মনুংনা কৎপনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী টেক্সসনগী জোইন্ট কম্মিসনার য়ুমাম ইন্দ্রকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুং, অকাশবানি ইম্ফাল এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং য়াইস্কুল কাংকুৎকী প্রসিদেন্ট লাইময়ুম ব্রজমনি শর্ম্মানা মীফম মপু ওইগনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- আই.দব্লিউ.দি.এফ.এনা দি.এফ.এ থৌবালবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ইন্টর ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কে.এস.এনা এম.এস.এফপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি মেন্স টি-ট্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা হয়েং নুমিদাং পুং ৭ তগী হৌগনি।

আই.সি.সিগী মেন্স টি-টৌইন্তি ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমনা অমুক হন্না ফাইনেল চংবা ভারতনা অহানবা ওইরে।